## চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# রুপফা অমদি ভি এস এ এন মায় পাকখ্রে

FOOTBALL



*ইম্ফাল , এপ্রিল ২০ঃ* রুপফা লাইরেনকাবী অমদি ভি এস এ এন নম্বুলমপাল হৌজিক ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা চথরিবা ১৬ শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী গ্রুপ–সিগী লিগ মেটচশিংদা মায় পাকখ্রে।

মণিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী অহানবা শান্নখিবা মেটচতা রুপফা লাইরেনকাবীনা মুশা ইম্ফালবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী শরুক্তদি টিম অনিনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে। মেটচ অদুগী অহানবা গোল ৪৬ শুবা মিনিটতা রুপফাগী এলেন চিরুনা টি ঐচ দি দানিবুমগী পাস্তা চনখি। অনিশুবা গোলনা মিনিট ২ লৈরবা মতুং (৪৮ শুবদা) টি ঐচ দি দানিবুমগী পাস্তা অথংকোম্না চনখিবনি। রুপফাগী মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল অদুনা থংনবা মিনিট ৪৯ দা টি ঐচ দি দানিবুমনা শাংনা কাওশিনখিবা বোল অমদা চনখিবনি। এল ভুবোন সিংহ, এন ইবুংঙো, টি প্রেমজিৎ সিংহ অমদি টি ঐচ সোমোর্জিৎনা মেটচ অদু কন্দক তৌখি।

অনিশুবা শান্নখিবা মেটচতনা ভি এস এ এন নম্বুলমপালনা সিরটি চান্দেলবু গোল ১–০ দা থোইখ্রে। মেটচ অদুদসু অহানবা হাল্ফকী শরুক্তা টিম অনিমক্না গোল অমত্তা চনবা ঙম্নখিদে। ভি এস এ এনগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু রোনিকুমারনা ৫১ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। শিরটিগী থানবন মেনশাং অমদি এস ঐচ সাইমোনিদা রেফরিনা ৮ অমদি অহেনবা মতমগী অহানবা মিনিট (৩১) শুবদা য়েলো কার্দ অমমম পীখিবগা লোয়ননা ভি এস এ এনগী এন গোকুলদসু ৬০ শুবা মিনিটতা য়েলো কার্দ অমা পিখি।

টি ঐচ সুরজিৎ সিংহ, টি প্রেমজিৎ, এল ইবুংঙো অমদি এল ভুবোন্না মেটচ অদু কন্দক তৌখি।

হয়েং নুংথিলগী পুং ২ দা গ্রুপ–দি গী টি আর ভি এস এ মালোমগা ভি এস এ সি চুড়াচন্দপুরগা অমদি নুংথিল পুং ৩.১৫ দা গ্রুপ অসিমক্কী মেটচ ওইনা আই ভি এফ এ কাঞ্চিপুরগা চীং–তম সঙাকফমগা শান্নগনি।

## স্বেকোনা অহানবা মেটচতা এফ য়ু সি থোইখ্রে

VOLLEYBALL

*ইম্ফাল , এপ্রিল ২০ঃ* দিষ্ট্রিক্ট বোল্লিবোল এসোসিয়েসন থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা পি পি এম ব্রিক ফিল্ড ৱাংজিং সাবল চেক্কোন লৈকায়না শীন্দুনা ব্রিক ফিল্ড অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ভেটরান বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ ঙসিগী হৌখিবগা লোয়ননা হৌবা মেটচতা স্বোকা থিয়ামকোঞ্জিনা এফ য়ু সি ৱাংজিংবু সেট ৩–০ ( ২৬–২৪, ২৫–২৩, ২৫–২২) দা মায়থিবা পীখ্রে।

অনিশুবা মেটচতা গ্রুপ–এ গী শান্নখিবদা টি এল ৱাই সি হৈরোক্লা ঐচ এস য়ু হৈরোকপু সেট ৩–০ (২৫–১৩, ২৫–১৮, ২৫–২০) দা অহুমশুবা মেটচতা গ্রুপ–বি গী শান্নখিবদা এম পি এ থৌনাওজমনা য়ু দব্লিয়ু পি দব্লিয়ু সি বু সেট ৩–২ (২৬–২৪, ২৫–২৩, ১৩–২৫,২১–২৫, ১৫–১০) দা অমদি অরোয়বা মেটচতা গ্রুপ– এ গী শান্নখিবদা পি বি এম ৱাংজিংনা এচ এস য়ু হৈরোকপু সেট ৩–০ (২৫–১০, ২৫–৯, ২৫–১৫) দা মায়থিবা পীখি।

হয়েং অয়ুক পুং ৭ তগী মখা তাবা মেটচশিং শান্নগনি। অহানবা মেটচতা এম পি এ গা স্বেকাগা অনিশুবা মেটচতা পি বি এম গা টি এল ৱাই সি গা অহুমশুবা মেটচতা য়ু দব্লিয়ু পি দব্লিয়ু সি গা স্বেকাগা অমদি মরিশুবা মেটচতা এম পি এ গা এফ য়ু সিগা শান্নগনি।

অরোয়বা গ্রুক কী লিগ মেটচনা তাং ২৩ গী অয়ুক পুং ৭ তা য়ু দব্লিয়ু পি দব্লিয়ু সিগা এফ য়ু সিগা শান্নগনি। নুমিৎ অসিমক্কী নুংথিলদা সেমি ফাইনেল মেটচশিং শান্নগনি।

## খো খো রেফরিগী ফল লাওথোকখ্রে

*ইম্ফাল , এপ্রিল ২০ঃ* মণিপুর এমেচর খো খো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ইং ২০১৩–১৪ গী ওইনা পাংথোকখিবা ষ্টেট খো খো রেফরি একজামিনেসনগী ফল ঙসি এসোসিয়েসন অসিনা লাওথোকখ্রে।

মায় পাক্লবা রেফরিশিং অদুদি ৱাবগাইদগী এম বিজেন্তা সিংহ, কে ঐচ রোমিও সিংহ, উয়ালদগী এন জি ইঙো সিংহ, ঐচ রোসিনিকান্তা সিংহ, ঐচ সিবানি দেবী, চরাংপাত্তগী ৱাই সনাতোম্বা সিংহ, সনলুংফমদগী এস জিরন সিংহ, এন জয়কুমার সিংহ, খাঙবোক্তগী টি ঐচ রঞ্জিৎ সিংহ, এন রোবেন সিংহ, এন সান্তা খুমন (খাঙবোক পার্ট থ্রি) অমদি এস ইনাওবা সিংহ (খাঙবোক চেরাকপুর) নি।

মায় পাক্লবা রেফরিশিংনা থা অসিগী ২৭ তগী ফাইন সোসাইটি হৈরোক্লা শীন্দুনা সোসাইটি অসিগী গ্রাউন্দদা পাংথোক্কদৌরিবা ২৭ শুবা ষ্টেট লেভেল সব জুনিয়ার খো খো চেম্পিয়নসিপদা কন্দক তৌন্নবা রেফরি বোদকী চিয়ার্মেন অমদি কনভেনর দা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না এসোসিয়েসেনগী সেক্রেটরিগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## সেপাকটাক্রৌগী এফিলিয়েসন রেজিষ্টর তৌরবা য়াগনি

*ইম্ফাল , এপ্রিল ২০ঃ* ওল মণিপুর সেপাকটাক্রৌ এসোসিয়েসন্দা এফিলিয়েসন, রেজিষ্টার তৌরবা দিষ্ট্রিক্টশিং অমদি ক্লবশিংগী এফিলিয়েসনশিং অমদি শান্নরোইশিংগী রিন্যু অমদি ত্রান্সফর লাক্লিবা থা অসিগী ২৫,২৬ অমদি ২৭ দা খুম্নলম্পাক মেন ষ্টিদিয়মদা লৈরিবা এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতা লাক্তুনা মথংতা পনখ্রিবা এফিলিয়েসন রেন্যু অমদি ত্রান্সফারগী পীফম থোকপা ফী পীরনবা এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিগী ইন চার্জ টি রুহিকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।





EMPLOYMENT NEWS

L.G. MOTORS

| Name of Post | Qualification | Age | Branch | No. of Post |
|---|---|---|---|---|
| 1. Asst. Manager Banking | BCom/MCom(Com.Know.) | 24 to 35 yrs | H.Q. | 1 |
| 2. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 24 to 30 yrs | Sekmai | 1 |
| 3. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Samurou | 2 |
| 4. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Lamlai | 1 |
| 5. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Bishnupur | 1 |
| 6. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Moirang | 1 |
| 7. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Pangei | 1 |
| 8. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Sekmai | 1 |
| 9. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Lamlai | 1 |
| 10. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Bishnupur | 1 |
| 11. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Moirang | 1 |
| 12. Security(Unmarrid) | 10/10+2 | 18 to 25 yrs | H.Q. | 2 |
| 13. Driver (Unmarrid) | VIII Pass | 20 to 28 yrs | H.Q. | 1 |
| 14. Mechanic (2Wheeler) | VIII Pass | 20 to 30 yrs | H.Q. | 2 |
| 15. Grade 4 | VIII Pass | 28 to 40 yrs | H.Q. | 1 |
| 16. Recovery Officer | 10/10+2 | 20 to 28 yrs | H.Q. | 2 |
| 17. Computer Operater | Well experence in DTP | 20 to 30 yrs | H.Q. | 1 |

**N.B. :** Post খুদিংমক ওফিসশিং অসিগা নক্লবা মফমশিংদা লৈবা মীওইশিংনা হেন্না খুদোংচাবা পীগনি।Post অসিবু পাম্বীবা মীওইশিংনা Bio-Data, Contact No., Qualification Certificate অমসুং Experience শিং লোয়নবীরক্কদবনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক হেদ ওফিস্তা লাকপীরগা খংবীবা য়াগনি।

*Sd/- Manager*
**L.G.. MOTORS**
Khagempalli Huidrom Leikai (H.Q)
Near Yumjao Lairembi Maning, Imphal West, Manipur

*Office Hour : 9.00 a.m. to 4 p.m.*
*Sunday / Gen. Holiday Will be Closed*

Branches at : Thoubal Near Okram Lamkhai, Bishnupur, Samurou Bazar Opp. PHC, Patsoi Opp. Patsoi Police Station, Lamlai Opp.Lamlai PS, Pangei Opp. 1st Gate M.P.T.C. and Sekmai Koujengleima, Kakching Opp. Kakching Fire Service


# এফ য়ু সি অমদি এস সি ৱাই মায় পাকখ্রে

FOOTBALL

*ইম্ফাল , এপ্রিল ২০ঃ* নোর্দর্ন ইরিল ভেলি স্পোর্টস ওর্গনাইজেসন (নিভসো) কৈবিনা শীন্দুনা ফ্রেন্স য়ুনিয়ন ক্লব উয়ুমপোক গ্রাউন্দদা চথরিবা ৪ শুবা নিভসো কপ ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান – তোঙানবা গ্রুপকী লিগ মেটচশিংদা এফ য়ু সি উয়ুমপোক অমদি এস সি ৱাই য়ুন্নাম খুন্নৌ মায় পাকখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ–এ গী মেটচতা এফ য়ু সি উয়ুমপোক্লা এস কে ৱাই দি সি সাদু কোইরেংবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পিখ্রে।

এফ য়ু সিগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু উমাকান্তা, আর কে অর্জুন অমদি নাউচানা মথংশিংনা ২১, ২৭ অমসুং ৬২ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। এফ য়ু সি গী অনিশুবা গোল চনখিবা অর্জুনদা রেফরিনা ৩১ শুবা মিনিটতা য়েলো কার্দ অমা পীখি।

অনিশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ–বি গী মেটচতা এস সি ৱাই য়ুন্নাম খুন্নৌনা ৱাই এল ৱাই সি নোংসুমবু গোল ৪–১ দা থোইখ্রে।

এস সি ৱাই গী গোলশিং অদু নিমাইচান্দনা ৩৪, ৫৩ অমসুং ৬০ শুবা মিনিটতা অহুম অমদি বিটনকুমারনা ৩০ শুবা মিনিটতা অমা চনখিবনি।

ৱাই এল ৱাই সি নোংসুমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু মিমিননা ৪৯ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

হয়েং নুংথিলগী পুং ১.৩০ দা গ্রুপ–বি গী রোবিন জেৱেরেলি পুংদোংবমগা পি জে পি সি পুখাও খাবমগা অমদি নুংথিল পুং ৩.০৫ দা গ্রুপ–সিগী এস এস সি (এ) সেক্তাগা সি এস সি চনুংগা শান্নগনি।

টিম ১৬ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা গ্রুপ খুদিংমক্কী মকোক মথং তাবা টিম অনি অদুনা ক্বাটর ফাইনেলগী ষ্টেসদা শরুক য়াগনি। ক্বাটর ফাইনেলগী মেটচশিং মে থাগী তাং ৩ অমসুং ৪ দা শান্নগনি।


## ইন্দোর হোকিগী ত্রাইয়েল পাংথোক্লগনি

*ইম্ফাল , এপ্রিল ২০ঃ* ইন্দোর হোকি এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা মহারাষ্ট্রা ইন্দোর হোকি এসোসিয়েসননা শীন্দুনা মথং থাগী তাং ৩০ দগী জুন তাং ৩ ফাওবা দিভিজিনেল স্পোর্টস কম্পেক্স নাশিক, মহারাষ্ট্রাদা পাংথোক্কদৌরিবা নুপা অমদি নুপীগী নেসনেল ইন্দোর হোকি চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়ানবা মণিপুর টিম শেম্নবগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন শেম্নবগী থা অসিগী ২৪দা কোংবদা লৈবা এস এল এস এ গ্রাউন্দ সৌদোংপুং লম্পাক্তা মণিপুর ইন্দোর হোকি এসোসিয়েসননা শীন্দুনা পাংথোক্লগনি।

ত্রাইয়েন সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানিংবা হোকি শান্নরোইশিংনা ফুল কিটসকা লোয়ননা নুমিৎ অসিগী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসিগী ইন চার্জ এ রানপ্রতাপ সিংহ অমদি এল চন্দ্ররেখা দেবীদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরি ঐচ জয়সিংহনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা ইন্দোর হোকিবু শান্ননিংবা রেজিষ্টার তৌরবা ক্লব, য়ুনিয়ন, ওর্গনাইজেসন, এসোসিয়েসন, গভর্নমেন্ট অমদি প্রাইভেট সেক্টরশিংনা ইন্দোর হোকি এসোসিয়েসনদা এফিলিয়েসন তৌরবা য়াগনি।

অকুপ্পা মরোল এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এল মোবি সিংহ অমদি সেক্রেটরি ঐচ জয়সিংহদগী খঙলবা য়াগনি।









Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*